ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ২৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২১১শুবা মশীং

# পি তাহল্লগা শরেং পীজবা

## মতুংদা থোকহল্লক্কনু, য়েংনীংদে

মী অমনা মী অমদা করিগুম্বা অমা খুদোলপোৎ ওইনা মমল লৌদনা লেম্না পীবা (দান তৌবা) হায়বসি মীওইবা হায়বা কাঙলূপসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংখ্রবা থবকনি। হেন্না মহয় য়ালহল্লিবনা পীগদৌরিবা পোৎ অদুগী য়াম্না তঙাইফদবা লৈরবা মীওইদুদা পোৎলমদু ফংহনবদুনি। লেম্না অমসুং মনতিক্নদনা পোৎ অমা পী হায়দুনা লম্বোইবদা শমজেৎ পীবগী থৌওংদুদি মশ্বাইদা চন্নদে। খুদোলদুগী মহয় য়ান্দে অমসুং মমল য়াওহনদে। অদুবু মসিগুম্বা লেম্না পীবা, খুদোলপোৎ তম্বগী থবকসি মীপূম তিংনা খঙহনবা, শরা শলহনবা, হৌজিক মীখল মমাঙদা কেমেরা মমাঙদা মমায় থাংজিন-থাংজিন্দুনা তম্নরিবা খুদোলশিং অসিদি লায়রদনা খূৎ য়েৎনা পীবা পোৎ- খুদোলপোৎ (দান) খূৎ ওইনা ফাওবা খঙহনগনু হায়রিবনি। খুদোলপোৎ পীবগা মসিগীদমক পাওথংনবগসি তোৎশিন-তিনশিন্নগনু, থোকহনগনু হায়রিবনি। মসিনা অমগা অমগগী মরক্তা পীনবা খুদোলপোৎশিংগী ৱানি।

অদুবু গভর্ণমেন্টনা মসিগী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী খূৎথাংদা মীয়ামদা ওইজ-ওইথককী শেল নৎত্রগা পোৎলমগী তেংবাঙশিং পীবা হায়বসিদি খুদোলপোৎ নত্তে। লৈবাক্কী মপী-মপা অমা ওইবগী হৌনবা মখোয়গী তৌফম থোকপনি। মমা মপানা মচা-মশুশিংগী তৌবা থবকপু খুদোলপোৎ (দান) নি হায়দুনা ৱাহন্থোক পীবদি ১০০দা ১০০ চুশিন্নবা য়ারোই হায়বনি। মসিমক্লা লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক থাংলকপা খোঙথাং, লৌখৎলকপা থবক, তৌথোরকপা কৈদা মীপূম তিংনা খঙহন্নবা হেক্তা হোৎনৈ। তৌসনু, তৌফম থোকই, তৌবদা কায়দে। লৈবাক মীয়ামগী অফবা থবক তৌববু তৌই হায়বনি। মীয়ামগী কান্নগদবশিং নুংতিগী তৌবা ঙমজবা ওইসনু। মীয়ামদসু শবাক ফাক্কুনা খঙহঞ্জসনু, কৈসু কায়দে।

অদুবু হন্দক ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মাইনোরিটি মুসলিম মহৈরোয় নুপীমচাশিংনা স্কুল চৎপদা তোংজনবা সাইকল খরা য়েন্থোকখিবা থৌদোক্কুগী মতাংদা ৱারু-নুংজু থোক্নরক্লিবসিবু থোরকহনফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বনি। লৈবাকসিবু মনুংদনা করিমত্তা য়াওদনা হোত্রোং হোরগা, কৈবুই-কৈওইবগী উতোংদৌনা তৌরগা কুরাংবান খক্তদা ফজহল্লগা খদ্রক তৌরগা অদুম ঙাক্লগে হায়ব্রা? চীফ মিনিষ্টরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়ারগা খনগৎলবা মুসলিম মহৈরোয় নুপীমচাশিংদা হকথেংননা খূৎশিন্নখিবা সাইকল অহনবশিংদুবু নুপীমচাশিংদুদা মতেক খরা ইন্থোকহল্লগা থৌবা ফাওবা ফংজদ্রিঙৈদা থৌরমদুবু অশিন-অরাং তৌবদা য়াওখিবা দিপার্টমেন্ট অমগী ওফিসলশিংনা থেমদুনা অমুক লৌশিলহৌই হায়বসিবু তাবা য়াবা ৱারা? থৌওংসিবু নুপীমচাসু ওইজরিবা মহৈরোয়শিংদুগী পূক্নিং থৌগৎলদুনা মখূৎ-মখূৎশিংদা হকথেংননা সাইকল শিন্নখিবা চীফ মিনিষ্টর খঙহল্লমগদ্রা? নৎত্রগা লোৎশিল্লমগদ্রা? নৎত্রগনা খঙনা-খঙনা অদুম উৎনা-ৱাইনা খুম্বদৌনা খুমজিনমিন্নরকপগী ৱারা?

অদুবু চীফ মিনিষ্টরমক্নদি অদুক য়াম্না লুজদবা থৌওংদুদা ইনভোল্ভ তৌরমগনি থাজদে। চহী কয়া সর্ভিস তৌরকপগী শিংত্রিক শিংলবা ওফিসল খরনা চীফ মিনিষ্টরবু হুমদুনা পুবিবা শোয়দনা ওইরমগনি। চহী মরি মখায় চূপ্না লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌরক্লিবা লৈঙাকসিবু ইকায়-শঙ্গোই হাঙহন্দুনা শঙবাইদা ফমহনবিবা ওইরমগনি। থৌওংসি চুমদে, তৌরোইদবা থবকনি। মাইনোরিটি মহৈরোয় নুপীমচাশিংদুদা পীগদবা, পীফম থোকপা সাইকলশিংদু ঙাইহাক্কী কৈথেল নংনবা হোৎনবগী ফীভমদা সাইকল য়োনফমশিংদগী ৱায়দুনা দ্রামাগী মওংদা হোবে-হোবে তৌদ্রবসু নীংথিজনা লৈননবা শেলশিং খূৎতা পায়রগা তপ্না-ঈংনা তৌবা য়াদব্রা? হৌজিক স্কুল-কোলেজশিং মহৌশাদৌনা হাংদুনা লৈবসু নৎত্রি। নংহৌরোই মতাগুম হুরান-লান্নাদা খদ্রক তৌদুনা চীফ মিনিষ্টরবু চিংশিনবিরুরিবা অদুবু থওইনা চীফ মিনিষ্টরগী শিৎ-নানবা লম্বেলদা নূঙজাও খিনবগুম থোকহন্নবরা? লৈবাক ৱাথোক ওইরকপদগী অমুক পীরে হায়রগসু হুরানবগী লিচৎ চৎলুবা ওফিসলশিং মনম তৎনবা য়ৈয়ু। মীবু মপি চদুম-চদুম তাহল্লগা শরেং থোংবা পীজবগী থৌদৌ মতুংদা থোকহল্লক্কনু, য়েংনীংদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১) *“জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা”* হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **“রবীন্দ্র লৈচল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু।

৩) *“ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা”* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) *“লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্না তোপ্না ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজে।”* অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) *“লৈপাক্কী মুর্তি”* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঐখোয় খৎন-চৈনগুমসি, অপং তাহনগুমসি

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৭৭**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঐখোয় মৈতৈশিংনা তোয়না হায়নবা ৱাহৈশিংগী মনুংদা “হৌজিক্তি ষণ ফাওবা ৱায়নদ্রবা মতমনি” হায়বা অসিনি। ষণগী ৱাদসু নত্তে, হুই ফাওবা চিক্নদ্রবা মতমনি। অসুক য়াম্না চাওখৎলবা মতমসিদা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা ফূন-চৈনবা, নোংমৈ কাপশিনবা, বোম লংশিনবগী থৌদোক কয়াসু মরী মরী থোরক্লি। ভাইওলেন্সনা করিসু কান্নবা পুরক্তে হায়বসি ইকাউ কাউথোক্লবগুম তৌরক্লে। মশা মশাগীখক খল্লগা মী উশিত্তবা, খোন্দা থীনা ঙাঙনবা মশা মশাগী অথীবা শক্তম মীয়াম মাঙদা উৎথোক্লগা য়াম্না লেম্নবগুম তৌখৎলক্লি। মসিদি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। নূঙগী য়ুগতা অমুক হঞ্জিল্লকপগী ফীভমনি।

তরানিথোইশুবা বিধান সভাগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতমদি থা মরিরোম ৱাৎলি হায়না পানরিবনি। অদুবু অসুক ঙন্না ঈরাং শাগৎনরিবসিদি মাগী মাগী কেন্দিদেটপু শৌগৎনবা ৱার্কেরশিং য়াম্না ৱাখল তাদবগী মওংনি। কেন্দিদেট মশানসু ভোট খোম্বা, মীটিং তৌবদা ফূনরুরো, য়ৈনরুরো, রাইভেল কেন্দিদেট সপোর্টেরশিংদা লান তৌশিল্লুরো হায়না থাদোরকপদি ওইরম্লোই। ৱার্কেরশিংনা থৱায় য়াওমনবদগী ঈরাং শাগৎলকপনা অয়াম্বা ওইরমগনি। ৱার্কেরশিংনা কয়ামুক য়াম্না থৱায় য়াওবগে হায়বদা মানা চেঞ্জ চোঙজরিবা কেন্দিদেট অদুগীদমক তৌবা য়াবা তৌরগে, ভোট কাদবা য়াদে হায়বগী ৱাখলনা মাঙদা থারগা হিংশাগী থবক ফাওবা চথুরকপনি। কেন্দিদেটকী ময়ূমদা ওফিস হাংদোক্তুনা তূম-চাদুনা নৈরগা লৈবা ৱার্কের ফাওবা য়াওদবা নত্তে। মদুনা ভোট লোইদ্রিবা ফাওবা থক-চাদুনা লৈবা ফাওবা য়াওনরিবনি। খ্বাইদগী হেন্না শোয়রিবনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাশিনবা, য়ু থকপা ৱার্কেরশিংনা ঈরাং শাগৎনবা মচাক অমসু ওইহল্লিবনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা হায়বসিবু করিদা ফনিংঙাই লৈরিবগে। চাশিল্লুবা, থকচিল্লুবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তুগী ময়াক্লা অফ-ফত্ত অমত্তা খন্থদনা ঐখোয় শ্বায়দা অতোপ্পা কেন্দিদেটকী ফিরাল চিংখৎপা, পোষ্টর থেৎপা য়ারোই, ঐখোয়গী ৱার্দতা, লৈকায়দা, খুনদা মীটিং তৌবা য়ারোই, ভোট খোম্বা চঙবা য়ারোই কা হায়বা ৱাসি পাউচেদা ফাওবা ফোঙলকপা থেংনজে। মসিমক্তি য়াম্না তৌহৈদবা, লৈবাক মচা তাদবা, অনদেমোক্রেটিক ওইবা মচৎনি। মদুবু করিদা ফনীংঙাই লৈরিবগে। মদু ওইবা তারগনা অতোপ্পা কেন্দিদেট অদুনা মাগী হোম পোল্লিং মফম নৎত্রগা মাবু শৌগৎপা অতোপ অতোপ্পা ৱার্দশিংদসু অমুক মদুগী পাউখুম ওইনা হায়রিবা কেন্দিদেটতু অমুক চঙহন্দ্রগনা করম তৌবা তাবা। মরম অদুনা অসিগুম্বা চাওখত্তবগী মতৌ অসিদি তৌনদবনা ফগনি। অসুম্না মশাগী ওইবা ৱারেপ অমা হেক্তা লৌশিনবসিদি লানগী চেবাউ পীবগা পাঞ্জকনি।

ৱার্কেরশিংনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা ভোটকীদমক চেন্নরিবা করিগীনো। পাউখুমদি ইরায় লায়বা ৱানি। মদুদি ঐখোয়না চেনবা কেন্দিদেটতি ভোট শুংকা কাদবা য়াদে হায়বসিনা মাঙ থারগা হোৎনবনি হায়নরি মীয়াম্না। বাই হুক ওর বাই ক্রুক ভোট কাদবা য়ারোই, থেংনবা য়াবা থেংনগনি অসিনি। মতাং অসি য়ৌরকপা মতমদা মখোয়না অতোপ্পা কেন্দিদেটকী সপোর্টর, ৱার্কেরশিংবু য়েক্নবা ওইনা খল্লি। মদুৱাইদনি খ্বাইদগী হেন্না শোয়রিবা অসি। মানা খল্লিবা, তৌরিবা অদুগুম্না অতোপ্পা কেন্দিদেটকী ৱার্কেরশিংনসু অমুক খন্দুনা জাৎ জাৎকী থবক তৌনরকপা তারগদি অদুম শলাক শারে। ফূন-চৈনবা, খৎনবা, ফিরাল থুদেকপা, পোষ্টর শেগায়বা, রঙ হাইজিনবগী থবক অদুম্মক চথুনবগী পাউ তানরিবদুনি পাউচেশিংদগী। ঐখোয় মণিপুরগী ভোটসি ফনা য়াম্নদি ৱাৎলিবনি, ঈরাং থোকপদি হৌখ্রে কমদৌসিগে। ভোটতা থৱায় য়াওজবশিংনা ৱাখল ফাথনবা চুমগনি খল্লি।

ভোট লেপ্পদা খ্বাইদগী কান্নদবসি ভোট কাহৌদবদুনি। ভোট লেপ্লিবনি হায়দুনা চেনবা য়াবা চেল্লে, চোঙবা য়াবা চোঙলে অদুগা ভোটপু কাহৌদ্রবা অদুম লোইরে, পুমলোই লোইরে হায়বদুনি। ভোটতা সেকেন্দ তাবা করিমত্তা কান্নদে। স্পোর্টসকুম্বা কম্পিটিসনশিংদদি ফর্ষ্ট, সেকেন্দ, থর্দ অমসুং মথং-মথং প্রাইজ ফংই। ভোটপু কাদ্রবা করিমত্তা ফংদ্রে। অদুবু মসি হায় হায়দুনা করিমত্তা ফংদবদি নত্তে হায়বসি ১১শুবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা সেকেন্দ তাবনা অমুক এম এল এ ওইবগী রেকোর্দ থমখিবা লৈখ্রে। ককচীংলোমদা সেকেন্দ তাহৌবা কেন্দিদেটনা কেস ঙমদুনা এম এল এ ওইখিবদু মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইরমগনি। লো হায়বসিসু কাল্লগা চৎপা য়াদে হায়বসি হায়রিবা থৌদোক্তুনা উৎখ্রে। মণিপুরদা য়াদবা লৈতে, পংয়া য়াবনি খন্দুনা নোমিনেসন ফাইল তৌবনচিংবা শেরান তুরান মেনশিনবা ফোলস ইনফোর্মেসন তৌশিনবা য়াদে হায়বসিসু উৎপা ওইনা হৌজিকসু ইলেক্সনগা মরী লৈননা তৌনবা কেসশিং পেন্দিংদা লৈরি। ৱাই ইরাবতনা কেস ঙমদুনা এম এল এ ওইখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রবনি। অরানবা তৌবসি য়াদে হায়বসি মীয়াম মাঙদা উৎখ্রে।

ঐহাক্লা অসুম খঞ্জবদা হন্দক্কী ১২শুবা ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবসিগী মতাংদা খ্বাইদগী ফরক তারক্কদৌরিবসি পার্টিগী টিকেট ফংবা ফংদবগী মতাং অসিদা ওইগদৌরি। সেন্টরদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা, মণিপুরদসু বি জে পি লিদ গভর্ণমেন্ট লৈবনা কেন্দিদেট অয়াম্বনা মুন্নরিবা, তান্নরিবসি বি জে পিগী টিকেট ফংবা হায়বসিনি। কাগেরা কারোইরা বি জে পিদা ভোট লেপ্পা কেন্দিদেটতুদি মশীং থিনবদা ইয়াওদা য়াওরে। ফর্ষ্ট নৎত্রগা সেকেন্দ নৎত্রগা শুংশোয় শোয়দ্রে, ভোট কারবগুম্বনি হায়বসিনি। কন্সিটিট্যুএন্সি অমমমদা বি জে পিগী টিকেট তান্নরিবসি ৩/৪দগী তাদবা য়াওরি। টিকেট ফংগদৌরিবনা শুপ্নতগী কেন্দেট অমখক্তনি। অদু ওইবা তারগদি টিকেট ফংহৌদবদু ভোট লেপ্পরোইদবা অমত্তা নত্তে। জাৎ জাৎকী মখল মখলগী পার্টিদা ভোট শোয়দনা লেপ্পক্কনি। হৌজিক ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটনি লাউথোক্লিবশিংগী মনুংদা পার্টিগী আইদিওলোজি ঙাক্কদবা অমত্তবু য়াওরম্লোই, কদোমদনো চোঙথোকখ্রগা ভোট অদুম লেপ্পক্কদবা মরৈরে। অদু ওইবা তারগদি বি জে পি ওইরো, কোংগ্রেসপু ওইরো, এন পি পিবু ওইরো কেন্দিদেটশিং মায় পাক্লবা শেমজ শাজবা ঙম্নবা টিকেট ঙন্না পীবিবনা খ্বাইদগী ফগনি খল্লি নৎত্রগদি থেংথরিবা মখৈ পার্টিদা অশোয়বা শোয়দনা লাক্কদ্রা হায়বসিনি মীয়াম্না ঙাঙনরিবা। বি জে পিগী টিকেট তান্নবা ৱার্কের মশেল থরুম তৌনদুনা লৈবা কন্সটিট্যুএন্সি কয়া অমা নোংমদি পোকখায়রক্কদ্রা পাখৎপা ফাওরকই। বিহারগুম, য়ু পিগুম, বেঙ্গলগুমগী মতৌ তমদুনা খৎন-চৈনবা তশেংনা ইকায়বা ফাওরকই।

অদুনদি ঐখোয় হৌজিক করি তৌবা তাবগে হায়বসি খন্থনীংঙাইনি। ভোটতি লোইখ্রে, লানদি লোইদ্রি হায়দনা সপোর্টর, ৱার্কর ময়াম কৌন-ঙাঙনদবা, য়েক্নবগুম লৈহৌবা অফবা নত্তে। ভোট লোইখ্রগা কেন্দিদেট মশেলদি মখূৎ শোক্লখিনি অমত্তা ওইখিনি। ৱার্কেরশিংদনি অপং তাহৌগদবা। মরম অদুনা ঐখোয় খৎন-চৈনগুমসি, অপং তাহনগুমসি। হৌজিক্তি ষণ ফাওবা ৱাইনদ্রবা মতমনি, কাউনগুমসি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৪১

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মতাং অসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমদি খুন্নাইদা/অতোপ্পনা তৌরিবশিংদা হঞ্চক-ঙাচক/অওৎ-অপা, অখঙ-অহৈ শাদুনা অফবা পাউতাক পীরিবশিংদু মশা মশাগী য়ূমদা মপা-মমা, মচিন-মনাও কয়াম নুংশিনবা ঙল্লবগে। কৈরোয়-লৈকায়/মরুপ-মপাং কয়াম নুংশিননবা অফবা থবক কয়া তৌখিবগী মীয়াম্না শকখঙলবা মখল খরগী থৌওং কয়াম লৈবিরবগে হায়বসিনি। উৎনীংঙাই খুদম লৈত্রবদি মদুবু ‘চীনগা খূৎকা মান্নদবা কৌদুনা মখোয়বু খঙবা মীশিংনদি ফজনা হায়নরোই।” মখোয়বু নুংশিদদনা পাউথোকপগী ৱাফম নত্তে। ইশাগী ওইবা ৱাখলদদি - মরম চানা ইশাগী য়াওখিবা অশোয়বশিং খুদমগা কোন্ননা তাকপীরক্লগা তুংদা শুমহায়না তৌহন্নীংই হায়না তাকপীরকপা/হায়বীরকপা খুদিংমকপু ইকোক নোন্না লৌশিনজরগা, ঐবু থাঙ্গৈশেংনা নুংশিবীবশিংনি হায়না মতম চূপ্পদা কাউজরোই। মসিদগী খজিক্তং থৈদোকপা ৱাফমদি ওইরগা - মীনা হায়রকপা/থল্লকপা/পীরকপা ৱাঙাঙ (কম্মেন্ট) গী ৱাহন্থোক মুন্না খঙলগা ইশাদা হোৎনবা কন্নবগী ইথিল অমা ওইনা ওন্থোক্লগা - অহানবদা মশাদুনদি করেম কথাইনবা মওংদা হায়রকখিবদুগী ওন্ন-তৈনবদা অহিং তূম্বা মচেৎ, অয়ূক-নুংথিলনা তৌফম থোকপা চাংদগী খরা হেন্না কন্না শুজন নোমশিনবদগী ঙসিদগী চহী ৪০গী মমাঙদা মতমদুদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী রিজনেল ওফিস শিল্লোংদা লৈরিঙৈদা মতমদুগী ওইনা খ্বাইদগী লোন এমাউন্ট ওইখিবা ইন্দষ্ট্রিয়েল প্রোজেক্ট অমা পায়-খৎনবা মচিন মৈ ইকপা হৌরকপদা খ্বাইদগী মরু ওইবা ‘ইলেক্ট্রিক পৱার - থ্রি ফেজ’ পুশিনবগী মতাংদা মতমদুগী চীফ এঞ্জিনিয়র ওইরম্বা, ঐগদি খরা লাপ্নবা মরী মতা অমা থোকপসিনদি ওইবসু ঙল্লোইদবদা হায়দুনা মতেং পাংবীরকখিদবদু ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী শিল্লোংদা লৈবা রিজনেল ওফিসকী জেনরেল মেনেজরনা লোন সেঙ্কসন লেটর পুরক্লগা ব্রাঞ্চ মেনেজরদা খূৎশিন্নরবা মতুংদা ইশাদা পাউ পীরকপদগী অহানবদা পৱার কনেক্সনগী ৱারম্বদু অথুবা মতমদা ইৱা ৱাদনা প্রোজেক্টতু মায় পাক্লা বেঙ্ক লোনসু শিংদোক্তুনা ষ্টেট বেঙ্ককী এস বি আই (লোন সেক্সন) দগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা সব রেজিষ্ট্রারগী ওফিসতা ‘নন ইনকম্বরেন্স সর্টিফিকেট’ তু উৎলগা বেঙ্কতা হায়পোথেকেট তৌবগী এগ্রিমেন্টতু কেন্সেল তৌদুনা লোইশিল্লবা মতুংদা ‘ঐনা খ্বাইদগী নুংশিজবা মীশক অশেংবদু কনানো হায়বদা মতমদুদা ঐগী ইন্দষ্ট্রিয়েল প্রোজেক্ট - থ্রি ফেজগী পৱার য়াওনা তৌবদু মায় পাক্তনা মায়থীরগা লোইনবনি হায়দুনা মরী মতা ওইরগা মশামক্নসু চীফ ওইরিবা দিপার্টমেন্টতুদা পৱার কনেক্সন তৌবগা মরী লৈনবা ৱাহৈ মচেৎ অমত্তা মখা থাবা এ ঈনচিংবদা হায়বিখিদবা, হৌজিক্তদি মশা লৈখিদবা চহী ফনা কুইখ্রবদো নুংশিরি।

দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং লাক্তুনা থ্রি ফেজগী পৱার লাইন শমদুনা থবক হৌরকপদগী ইকায়বদগী ওইরমগদ্রা খল্লি - মতম খরা ৱা ঙাঙলমদবদু থা খরগী মতুংদদি পোত্থোক পুথোক্তুনা মার্কেটতা য়োনবদু খঙলক্লবা মতুংদগীদি ফজনা হোৎনহন্নিংবগী পূক্নিং থৌগৎনবা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লকখি। ঐনা করিগুম্বা ৱাখল লান্না খনবদগী নুংশি-খদবা পোকখিবা মতাংদু ইবান্নি পাউ ফাওনদুনা ৱাখল তামিন্নবা ঙমখিদবা মতাংননি হায়না থবক মায় পাক্লা পাঙথোকপা হৌরক্লবা মতমদুদা ইতোমতা অমুক নীংঙমলকখিদে। পাউ ফাওনবা ঙম্বা হায়বসিনা নাকল অনীমক্তা শাওনবা, নুংশিনদবা থোকহনবদা য়াশিন্নবা ঙল্লমদবদু হন্থহনবা ঙমগনি হায়বসিনি। মতাংসিগী ওইনা, করিগুম্বা ঐনা বেঙ্কনা লোন সেঙ্কসন তৌবিরক্লনি/তৌরে হায়বসি ফজনা মঙোন্দা (চীফ এঞ্জিনিয়র ওইরিবা ঐগী মরী মতা থোকপদুদা) খঙহল্লম্লবদি হায়বদি ‘ৱাখল হোদোক্লরম্লবদি’ হান্না ওইরোইদবনি হায়বা ৱাঙাঙদু (কম্মেন্টতু) হায়রমদবসু য়াই। খঙলবা মতুংদা ফাওবা হান্নগী ৱাঙাঙদু হোংদ্রবদি ঐবু থাঙ্গৈশেংনা নুংশিদনা তৌবনি খল্লম্বা য়াই। শম্না হায়রবদা ৱাখল থাদোক্লবা নাকল অনীগী মরক্তা পাউ অশেংবা/অচুম্বদু নাকল অনীমক্তা পাও ফাওদোক্লরবা মতুংদা মীওইবগী ওইবা থৌওং য়াশিন্নবা’ হায়বসি লাক্লবা মতুংদা লাইগী ওইবা থৌওং ‘নুংশিনবা’ হায়বসি শোয়দনা ওইগনি। মীনসু য়াফম থোকপা/শোয়দনা ইনফম থোকপা অদুগা লাইগীনা মতম লৈবা খিবিক্তা চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফম/থৌওং অমদি ‘অচুম্বা/অফবা/অওইবা তৌবা’ হায়বসিনি হায়না থমজগে। মরমদি মীপূম খুদিংমক্লা মশানসু চুমই হায়না খঞ্জবদু মালেমগী মীয়াম্নসু য়াগদবা ওইরবদি ‘মদু অচুম্বনি’ হায়না মফম মতমদুগী ওইনা লৌবা য়াই। খুদম, মীনা শেম্বা ‘জুদিসিয়েল লোদি কনাগুম্বা অমনা খঙদদনা তৌরুবনি’ হায়বসি য়াদে হায়দুনা চৈরাক (চাং য়াম্বা/য়ামদবা) অমদি শোয়দনা ফংগনি। অদুবু কনাগুম্বা মীওইবা অমনা থাঙ্গৈশেংনা খঙবদগী/পুকচেল য়াম্না শেংনা পাউকৎচরম্লগা তঙাইফদবা ফীভমদগী অরানবা তৌখিবা/শোয়খিবদু লাইনা ঙাকপীখিবগী লেংদ্রবা খুদম অমনি - ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইনা ইনাৎ লাইনীংগা মরী লৈনবা তৌহৈদবা কয়া তৌরুবদগী মশাদা লাইথুং পল্লবদা মশাগী লাইনীং লাইশোনগী লাই অচৌবা কয়াগী মিঙ্ঘেরোল/লাইৱা (মন্ত্র) কয়া শোনবদা ফবগী মহুত্তা হেন্নদুম হেনজিল্লকপদগী ইকায় খঙদদনা মশা শিনীংদবদগী ইপু খোংনাংথাবা মায়চৌগী মফমদা চঙজদুনা হায়জ নোঞ্জ তৌজবদগী ইপুনা থৌজানবীবদগী ইপুধৌ পাখংবগী ইকোম ওইরিবা পুরুক শৌবীদা ইরুপচরো ফগনি হায়না তাকপীবদুগী মতুং ইন্না ইপুধৌ পাখংবনা ময়া ফাক্লা চাগদবগুম ফাওগৎলগা লৈরম্বদা মথৱায় মাঙগনি কিবদগী চঙলমদনা চেল্লক্লগা ইপু মায়চৌদা পাউ দম্লবদা - ‘মায়চৌ খোংনাংথাবনা হায়রকপনি হায়জরগা ইরুপচৌ’ হায়বদু হায়জরুবদগী ইপুথৌ পাখংবনা ঙহাক্তং লুপথখিঙৈগী তাঞ্জাদা হাথু হাথুনা ইরুপচহৌবদগী ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইগী মশাদা পল্লম্বা লাইথুং কোকখিবসিনি।

লাই থাজৈ হায়বা মীওই কাঙবুগা লাই থাজদে হায়বা কাঙবুগা হীরম অমত্তদা ৱারী শানবা, থৌওং পুনবা য়ারোই। অদুনা অমগা অমগা নুংশিনরোই। নুংশিনরোইদবগী মরমদি মখোয় অনী য়াশিন্নবা য়াগদবা থৌওং/লম্বী লৈতবনা। খুদম ওইবা ৱারী লৈজবা কয়া লিনরক্কনি, অমনা য়ানীংদে শোয়দনা হায়রক্কনি। অদুবু খন্নবা য়াবা ৱাফম অমদি লাইনীং লাইশোন মান্নদবা মীওইশিংনা মখোয় মশাগী থাজবী মতুংইন্না অঙাং অমা পোকপা, হিংলিঙৈগী মতমদা, শিরবা মতমদা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা চৎনবী (মান্নবা মশেলগী) ওইনা থৌরম খরদি শোয়দনা পাঙথোক্লে। মসি মী (মান্নবা মশেলগী) ওইনা থৌরম খরদি শোয়দনা পাঙথোক্লে। মসি লাই হায়বা পোৎশক হায়গেরা/উবা ঙমদবা ৱাখলগী ওইবা থাজবা হায়গেরা লৈবশিংগী ৱানি। লাই থাজদবা মীওইনি হায়বশিংদুগী ওইনদি মখোয়গী মচা-মশু পোকপা, হিংলিঙৈগী মতমদা, শিবা য়াওবা মতমদা খুন্নাইগী চৎনবী খুদম ওইনা - অঙাংদুগীদমক য়াইফ থৌনি থৌরম অমা তৌবীবা, চাওখৎলকপা (হিংবগী) মতাং - য়ূম্বাল কৈবানবা মতম, শিরবা মী অমা ফুম্বা/মৈ থাবা/শা-উচেক্তা পীজনবা হুন্দোকপা/ঈশিং অচৌবদা থাদরগা ঈশিংদা লৈবা ঙা মখল কয়ানা চাহনবা অসিনচিংবা তৌনরিবসিগী মনুংদা থাজবা থৌওং খরা তৌনবসিদগী ইতোপ তোপ্পা করম্বা লৈবগে খঙনীংবগী ৱাফমনি। ওইথোকপা য়াবা পাউখুম অমদি লৈবা য়াই মদুদি “ঐখোয়দি লাইগী ওইবা নৎত্রগা লাইগা মরী লৈনবা থবক-থৌরম অমত্তদা তৌদে।” অদু ওইরবদি মচানুপা/নুপীনা লুহোং কৈহোংবগী মতাংসিদদি লাইনীং লাইশোন চৎপা/থাজবা অমগী মচানুপী/মচানুপাগা পুন্সি লৈপুন শেমগদৌরিবনি। মতমদুদা অতোপ্পা মপা-মমাদুনা য়ারক্কদ্রা? লোইনমক শমজিনবা য়ানবা ‘কোর্ট মেরিএজ’ তৌবা মতমদসু নাকল অনীগী মীওই অনীদি ৱিটনেস ওইনা য়াওদবা য়ারোই। পংথা থাদোকপা, উমংদা/লমহাংদা লৈবা শা-উচেকমক নত্তবনিনা ৱাখল লৈবা মীওইবা ওইরুবনা লৈবাক অমগী লৈঙাকলোন্না শেম্বা চৎনরোল অমদি ঙাক্তবা য়ারক্লোই। ●